GAS NEWS

M/S R &H Indane Service Irilbung
Booking upto : 02/10/2020
Valid from 08/09/20
Stock 306Nos.
Only Home Dellivery
Home Dellivery & Booking
Contact Nos.8414824977/8413936705/9366013547/8132036940
Call timing 8.30to 12 noon

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.no.50 A&B of 25/11/2020
Valid from 14/11/20
Time : 7.30 to 11am

IMPHAL LPG SERVICE
Home Delivery
Booking : 17/12/20
Summit house no. LPG ID no Address with land mark also digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers 6009392991, 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
Please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no

TANGLEI GAS OINAM
V/f- 18-11-20
B/upto - 23-11-20
Stock : 306
7am to 10am

KHORIPHABA NAMBOL
Bk.upto 10-11-20 (sl.no upto 20683)
mobile no : 9366471778, 8837349474

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto14.2kg-15/12/2020
Valid from-12/11/2020
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO : 28/10/20
Valid from : 23/10/20
Time: 11am to 2pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

POROMPAT INDANE GAS/ POROMPAT
Booking up to : 10/10/20
Valid from : 09/09/20
Queries : 9366184547
Time 08:00 am to 10:00 am

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 24/11/20
VALID FRROM 14/11/20
19kg & 5kg UJJWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
KWAKEITHEL 9774616525 , 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401& 7005352782
TIMING : 08.00 to 10.00am

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 23/11/2020
BOOKING UPTO: 25/11/2020
BOOKING ONLY: 03852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM

HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK.
BOOKING UPTO.14/12/2020.
VALID FROM.01/12/2020.
DROP IN BOX.&HOME DELIVERY. M.NO. 9089177227 & 9366597565.M.BOOKING OFFICE-9089161416. CONT. TIME.7.00AM.TO.10.30 AM.

MANIPUR GAS SERVICE
Booking up to : 02/12/2020
Valid from 12/11/2020
Home Delivery Only....
Contact no : 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8am to12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS
19 kg stock 36

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING:8:00am to 12:00 Noon
BOOKING : 21. 11.20
VALID : 19.11.20
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 7628098544 8131852580, 8787630773 9089370369
FOR ALL WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM, YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM,MONGSANGEI, LANGTHABAL, SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM, LANGOL URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 8131942156, 7630902992, 7627968997
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 31/10/2020
VALID FROM : 30/10/2020,
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP - 9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3. AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 25-10-20
Only home delivery (within 3 days)
Contact no. 7005771527
Office no. 9774068549
Whatsapp no. 8794973019
Time 7.30am to 11.am

JEMON GAS SERVICE SINGJAMEI CHINGAMATHAK
Booking upto : 25/11/20
Valid from 01/11/20
Time 8:00 to 11:00 a.m
Call only
A) 6033989480
Naoriya Pakhanglakpa, Keishamthong, Sagolband.
B) 6033989481
Singjamei, Yaiskul, Wangkhei, Langthabal
C) 6033989482
Thongju , Khurai Wangoi, & other
Plase complaint Delivery after 4 days
Booking After Delivery

সুপ্রিম কোর্টনা পীরকখিবা দিরেক্সন মতুংইন্না এম পি এস ওফিসরশিংগী ফাইনেল সিনিয়রিটি লিষ্ট ফোঙলে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস):

সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌখিবা সিভিল আপিল নম্বর-৮৮৩৩-৮৮৩৫ ওফ ২০১৯, সিভিল আপিল নম্বর- ৮৮৩৮ ওফ ২০১৯ অমসুং সিভিল আপিল নম্বর ৮৮৩৬-৮৮৩৭ ওফ ২০১৯গী ৱায়েলগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৯গী জুন ২৯দা মণিপুর লৈঙাক্কী দি পিনা থোকখিবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী কুমজা ২০১৩গী ওক্টোবর ১ (১-১০-২০১৩) ফাওবগী এম পি এস ওফিসরশিংগী ফাইনেল সিনিয়রিটি লিষ্ট অদুক্কাশ তৌখিবগা লোয়ননা কোর্ট অসিনা দিপার্টমেন্ট অসিগী এম পি এস গ্রেদ-২গী রিভাইস ইন্টর-সিনিয়রিটি লিষ্ট অমা শেম্নবগীদমক পীরকখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৩গী ওক্টোবর ১ ফাওবগী ওইবা মণিপুর পুলিস সর্ভিস (এম পি এস) গ্রেদ-২গী ফাইনেল সিনিয়রিটি লিষ্ট ফোঙখ্রে।

ফাইনেল সিনিয়রিটি লিষ্ট অসি ঙসি দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস (পর্সনেল দিভিজন)গী অন্দর সেক্রেটরি জোরিসাং থিয়েক পাঙ্গোতেনা খুৎয়েক পীদুনা থোকখিবনি। ঙসিগী ফাইনেল সিনিয়রিটি লিষ্ট অসিগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৩গী ওক্টোবর ১ ফাওবগী মনুংদা লৈগদবা এম পি এস গ্রেদ-২ ওফিসরশিংগী মথং-মনাওশিংনা প্রমোটিশিংগী মরক্তগী এ শরতকুমার (ফেব্রুৱারী ২৯, ২০১৬তা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এস কামজাপাও ঙাইতে (ফেব্রুৱারী ২৮, ২০১৪দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), ৱাই অশোকুমার (এপ্রিল ৩০, ২০১৭তা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এম দি ইশাক শাহ (ফেব্রুৱারী ২৮, ২০১৫দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এল ঈশ্বরলাল (জুন ৩০, ২০১৬তা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এস চাওবা (মে ৩১, ২০১৫দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এল ইবোতোম্বী (ওগষ্ট ৩১, ২০১৬তা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), জে এস মোরেন অনাল (মার্চ ৩১, ২০১৪দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), টি ঐচ শ্যামসুন্দর (ফেব্রুৱারী ২৮, ২০১৭তা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), দাইরেক্ট রিক্রুটশিংগী মনুংদগী আই পি এসতা প্রমোসন পীখ্রবা ঐচ জোগেসচন্দ্র, এন হেরোজিৎ, এস গৌতম, নিংশেন বাসুম অমসুং বি গোলিয়ানমাংনি।

অদুগা মখোয়গী হেক মথংদা লিষ্ট অসিগী মতুংইন্না লৈরিবশিংনা দাইরেক্ট রিক্রুটকী জয়সি লালরেমমোই, এম রাজেননি। অদুগা হেক থংনবদা লৈরিবা প্রমোটিশিংগীনা লৈচুমথিং রাগুই (দিসেম্বর ৩১, ২০১৯দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এল সনাজাওবা (মার্চ ৩১, ২০১৪দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এম দি হুসনে জমান শাহ (দিসেম্বর ৩১, ২০১৪দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এল বিরবাবু (নবেম্বর ৩০, ২০১৪দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), দল্লিয়ু ওজিৎ (ফেব্রুৱারী ২৮, ২০১৫দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এল নাংলিয়াম্থাং, এস পি থাইসি (দিসেম্বর ৩১, ২০১৯দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), ও মেঞ্জোর (জন্যুৱারী ৩১, ২০১৫দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), কে জাংলুং কবুই (মে ১২, ২০১৪দা লৈখিদ্রবা), এম দি অব্দুল লতিফ (জুন ৩০, ২০১৪দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এস নন্দকিশ্বর (এপ্রিল ৩০, ২০১৯দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), থামৈ গাইপুরিল কবুই (জুন ৩০, ২০১৯ দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এস ঐচ জুগেশ্বর, আর কে খোমদোন (জন্যুৱারী ৩১, ২০১৭তা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এস সোমোরজিৎ, এম মুবি, এল দেবেন, এ ঘনশ্যাম, কে মঙ্গি (ফেব্রুৱারী ২৮, ২০১৭তা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এস শামু (ওগষ্ট ৩১, ২০১৪দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), অখুবা কবুই (নবেম্বর ৩০, ২০১৫দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এস ইঙো (ফেব্রুৱারী ২৮, ২০১৯দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা, এস মেঘচন্দ্র (মার্চ ৩১, ২০১৯দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), ঐচ গ্যানেশ্বর (জন্যুৱারী ৩১, ২০২০দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এম কুমারজিৎ, ৱাই রাজেন্দ্রো, পি বিনোদ রঞ্জন (ফেব্রুৱারী ২৯, ২০২০দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), আই চিত্তরঞ্জন, মাংখোজাং কিপগেন, সৈখোমাং তৌথাং, কে অজিৎ কুমার, এন মংলেম্বা (ফেব্যুৱারী ২৯, ২০২০ দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), কে পুকেহো মাও (ফেব্রুৱারী ২৯, ২০২০ দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এল থাংবোই কুকি, এন অঙম নিংসিয়ন, টি থোংজাপাও, ঐচ পিয়ার্সন তাংখুল (ওক্টোবর ৩১, ২০১৪দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), নিংঙম সিরো, স্বেলিং হোপ চিরু (ফেব্রুৱারী ২৮, ২০১৯দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), জি জেমখানসুৱান বাইতে, সী ঐচ অদানি মাও, গিঞ্জামাং বাইফে জন্যুৱারী ৩১, ২০১৮দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবনি।

মহাক্কী মতুংদা হেক থংননা মথং মনাও নাইনা লাক্লিবা দাইরেক্ট রিক্রুট এম পি এস ওফিসরশিংনা লেনিন লমাবম, থোকচোম বিক্রমজিৎ, খোইস্নাম সর্মা, হোপসন সাপম, ভিক্টোরিয়া য়েংখোম, হৈস্নাম বলরাম, ৱাথম বাসু, সর্দা লাইশ্রম, ধনপিয়ারি বি, দল্লিয়ু সিংহজিৎ, রাশিনি য়েংখোম, পোলেম মঞ্জিৎ, কে মেঘচন্দ্র, বেমবেম নোংথোম্বম, প্রিয়াদর্শিনি লাইশ্রম, এম দি জাকিরউদ্দিন, আর কে মানবিন্দু, সরাংথেম অসানা, এস ইবোমচা, সারোন লালসাংঙোই, লুনখোমাং খোংসাই, লালমিনলিয়ম মিসাও, এস দেবিদ পিয়াকলিয়ান, লুইখম লানমিও, খুপলেন লৌভুম, টি লালবোই হাওকিপ, অমাং হাওকিপ, ৱুংপম কছার, চিফাং সেসেলিয়া সোপেমলা, লুথর নংসা, এন মধুনিমাই, পি ঐচ মহেশ্বরীনি।

লোয়ননা মহাক্কী হেক মথংদা ফাইনেল সিনিয়রিটি লিষ্ট অসিদা য়াওরিবা এম পি এস প্রমোটিশিংনা এল সরিতা (স্পোর্টস), এন মঙ্গি, এন নোবিন, পি কিরনকুমার, এ বসন্ত, ঐচ কুমার, এন জি জুগিন্দ্রো, সী ঐচ বিমোল (ফেব্রুৱারী ২৯, ২০১৬তা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), কে দিলিপ, ক্ষেত্রিময়ুম মনিহার, ৱাই চন্দ্রমনি (জন্যুৱারী ৩১, ২০২০দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), ৱাই মোহিন্দ্রো, ঐচ জোন লোখো, এন জতিন (জুন ২, ২০১৫দা লৈখিদ্রবা), ৱাই সুশিলকুমার, ৱাই ধনঞ্জয় (ফেব্রুৱারী ২৮, ২০১৫ দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এ কে সদানন্দ, সুরেশ থাপা, এম দি অব্দুল সলাম, টি ঐচ কৃষ্ণতোম্বী, জি কৃষ্ণগোপাল (জন্যুৱারী ৩১, ২০২০ দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), টি ঐচ মোধুচন্দ্র (ফেব্রুৱারী ২৮, ২০১৯দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), টি ঐচ রামগোপাল (ফেব্রুৱারী ৩১, ২০১৮দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), পি তেন্দেন (জন্যুৱারী ৩১, ২০১৭তা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এস ৱাই লুমাসন তাংখুল (ওগষ্ট ৩১, ২০১৯দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এ ৱিল্লাবৌ (দিসেম্বর ৩১, ২০১৬তা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), পাওজালম কিপগেন (ওক্টোবর ৩১, ২০১৯দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), পি এস দাইহো মাও (ফেব্রুৱারী ২৮, ২০১৮দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এন শামুঙৌ (দিসেম্বর ৩১, ২০১৮দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এস রঘুমনি (ফেব্রুৱারী ২৮, ২০১৭তা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), ও চাওবা, দল্লিয়ু মুনতাংখুল, এল গৌচিনগেন ঙাইতে এলিয়স এল জি ঙাইতে, ঐচ লিয়ানচিন্থাং, এস ইবোচৌ, এস রামেশ্বর (দিসেম্বর ৩১, ২০১৮দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), দল্লিয়ু নোংয়াই (ফেব্রুৱারী ২৮, ২০১৭তা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা) অমসুং এম দি রসিদ আলি (জন্যুৱারী ৩১, ২০২০ দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবনি) হায়রি।

ওর্দর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না ঙসি ফোঙলিবা ফাইনেল সিনিয়রিটি লিষ্ট অসিদা হৌখিবা কুমজা ২০১২দা এম পি এস গ্রেদ-২ ওফিসরশিং ওইনা দাইরেক্ট রিক্রুটতা চঙলক্লগা কুমজা ২০১৩গী ওক্টোবর ১ ফাওবদা প্রোভেসন লৈখিবা ওফিসরশিংদি য়াওদে। অদুম ওইনমক লিষ্ট অসিদা মখোয় য়াওদ্রবসু মখোয়গী সিনিয়রিটি পোজিসনদা অকায়বা লৈরোই হায়বগা লোয়ননা মখোয়বু এম পি এস গ্রেদ-২দা রুলগী মতুংইন্না কনফার্মেসন তৌরবা মতুংদা লিষ্ট অসিদা য়াওগনি হায়রি। অমরোমদনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা দল্লিয়ু পি (সিভিল) নম্বর-৭৪১ ওফ ২০১৬, ৭২৩ ওফ ২০১৬ অমসুং ৭২৬ ওফ ২০১৬গী অরোইবা ৱায়েলগী মতুংইন্না সিনিয়রিটি লিষ্ট অসিদা ইন্টর-সে সিনিয়রিটি পোজিসনশিংদা য়াওগদবশিংনা এম দি তোম্বী (নবেম্বর ৩০, ২০২০দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এম রামেশ্বর (মার্চ ৩১, ২০১৭তা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), এস মুনিন্দ্রো (ওগষ্ট ৩১, ২০১৮দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবা), টি ঐচ বিজানন্দ, এন দাঙ্গে মীতৈ (ওগষ্ট ১, ২০১৮দা ভলন্টরি রিটয়ার্দমেন্ট লৌখ্রবা) অমসুং এস অশোককুমার (নবেম্বর ৩০, ২০২০দা রিটয়ার্দ তৌখ্রবনি) হায়রি।

লুখোসৈ জৌগী দ্রগ কেস অসি এদিসনল এস পি বৃন্দা নৎত্রগা ...

লামায় ১গী মখা... অমদগী য়াল্লবা লুপা ক্রোর কয়াগী দ্রগশিং ফাগৎলকপা মতমদা কেস অসি সী বি আইদা শীন্নসি হায়না ওপোজিন্দা লৈরিবা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী কয়ারক হন্না তকশিল্লবসু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা য়াদ্রিবা করিগীনো। মীয়াম্না হৌজিক সোসল মীদিয়াদা লুখোসৈ জৌগী দ্রগ কেস অসিদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীওই য়াওই হায়নরিবা অসি চুম্লব্রা হায়বগী চিংনবা পোকহল্লে। লুখোসৈ জৌগী য়ুমদগী ফাগৎখিবা য়াল্লবা দ্রগ অদুগী মতাংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এম অস্বিনিকুমার কৌবা অমনা এম পি এস ওফিসর টি ঐচ বৃন্দাদা চীফ মিনিষ্টরনসু লুখোসৈ জৌবুসু থাদোকপা পাম্মী। মহাক থাদোকখো হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি হায়নসু কোর্টতা লানখৎখিবা বৃন্দাগী এফিদেবিটতা পল্লি। দি জি পিনা বৃন্দাবু কৌরগা লুখোসৈ জৌগী চাজ শীট হন্দোক্লবা খঙহল্লকপা ৱাফমসু য়াওরি। মসিদসু নত্তনা লুখোসৈ জৌনা লোৎতুনা লৈখিবগী থৌদোক ফাওবা লৈখ্রে।

কেস অসিবু সী বি আইদা শীন্ননবা কোংগ্রেসনা এসেমল্লী মীফমদা কয়ারক হন্না হায়খিবা অদু বি জে পি লৈঙাক্লা তাবীখিদে। অৱাংবা থাক্কী ফম পায়রিবা লুচিংবশিংগা লুখোসৈ জৌগা লৌতুনরব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে। লুখোসৈ জৌবু ফাগৎখিবগীদমক পীখিবা গেল্লেন্ট্রি ফাওবা এদিসনল এস পি, টি ঐচ বৃন্দানা হন্দোকখিবা অসি লৈঙাক অসিগী ওইনা ঈকায়নিংঙাইনি। পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎলিবা ৱার এন দ্রগসকী মিসন অসি থম্মোয় শেংনা পায়খৎপা মিসন নত্তে। মিসন অসি ৱার ওন বিজিনেসনি হায়নসু মীয়াম্না হায়নরক্লে। চীন খক্তা ৱার ওন দ্রগস লাউরগা দ্রগ লল্লোনবশিংবু কনখৎতুনা থল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসি মীয়াম্না লৈহল্লগুমসি। মীয়াম্বু ময়াই কাবা দ্রগকী ঈপাক্তগী কন্ননবা অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নরসি।

মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা ব্রাউন সুগর, হিরোইন নম্বর ফোরনচিংবা ময়াই কাবা দ্রগ শুংফম কয়া লৈরম্লে। লুপা ক্রোর কয়াগী দ্রগশিং ফারে হায়না মীদিয়াগী খুথাংদা ফোঙদোক্লবসু ফারিবা দ্রগশিং অদুগী অশেংবা মপুশিংদি লৈঙাক্লা নীংথিনা মীয়াম খঙনা পুথোক্তে। পোম্পী থাবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থবকশিং অসিসু মীয়ামদা উৎ চাইবনি। লৈঙাক অসিনা করিগুম্বা পোম্পী থাবা অসি তোকহনগে হায়বগী অচেৎপা ফিরেপ লৈরবদি পোম্পী থারিবা লৌফমশিংগী মপু অমদি খুল্লাকপশিং ফাগৎতুনা চৈরাক পীবা মতমদা পোম্পী থারিবা অসি শোয়দনা লেপখিগনি। মদুদি নত্তনা পোম্পী লোকপা লোইখ্রগা পুলিস খরা থাদুনা পোম্পী পাম্বী য়াম্থৎপগী ভিদিও নম্লগা থিংবা ঙম্লোই। মরম অসিনা লৈঙাক্লা ময়াই কাবা চীঞ্জাক থিংবগী থবক অসি থম্মোয় শেংনা পায়খৎপা চঙই। মদু নৎত্রবদি লমদম অসিগী হৌরক্লিবা নহারোলশিং ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী ঈপাক্তা লুপখ্রগনি।

লৈঙাক অসি লাকপদগী চীং অমসুং তম অসি নুংশিনরে হায়না লৌরম্লগা য়ু এন সীগুম্বা লূপ অমনা থিংলকপদগী কামজোংদা কেবিনেট মীফম পাঙথোকখিবা ঙমখিদবা অসি য়াম্না ঈকায়নিংঙাইনি। পিছ টোককী ৱারোইশিন লাকপদসু মণিপুর অসি করি ফীভম ওইরক্কদগে হায়বসি তম্বা ঙমদ্রিবনি। মরম অসিনা লৈঙাক্লা চীন্দা খক্তা থবক তৌবা শাবা অমদি মমাঙগী লৈঙাক হুনবগী থবক অসি তোকপীরো হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ককচিং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী ৱার্দ নম্বর ৫গী কাউন্সীল্লর বাবু, ৱার্দ নম্বর ৬কী কাউন্সীল্লর রিশিকেস অমসুং ৱার্দ নম্বর ২গী কাউন্সীল্লর চাওবা য়াওনা এ সী অসিগী মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

তোঙান-তোঙানবা কুকি লূপশিংনা...

লামায় ১গী মখা... মহাক মশা মরাল লৈতবনা মরম ওইরগা মহাক্কী মথক্তা শীরিবা মরালশিং অদুগী চপ চাবা খুদম চাংদম পুথোকপা ঙমদবদগী মহাকপু থা অসিগী ১৭ তা এন দি এন্দ পি এসকী স্পেসল কোর্ট অমনা থাদোরকখিবনি হায়খি।

কুমজা ২০১৮ দা ফাখিবা পোৎলমশিং অদু কদাইদগী কনাগী য়ুমদগী ফাখিবনো হায়বা মীয়াম্না খঙনরবা ঙাক্তনি। মীওই খরনা লৌতুনরগা মহাকপু মরাল শীজিন্দুনা ফাহনখিবনি। জেলদা লৈরিঙৈ মনুংদা তোঙান তোঙানবা সী এস ও কয়ানা মহাকপু দ্রগ কিংপিননি হায়দুনা লান্না শন্দোকখি।

চহী অনীরোম অৱা-অনা খাঙদুনা জেলদা লৈরুৱবা মতুং মরাল লৈত্রে হায়না কোর্টনা থাদোরক্লবসু লৈবাক অসিগী মীওই শরুক খরনা পেন্দবগী খোল্লাউ লাউরি। হৌজিক হৌজিক ওপোজিসন পার্টিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি খরনা লমদম অসিগী মীয়াম্বু খূৎলাই ওইনা শীজিন্নদুনা ঈৰাং শাগৎনবা হোৎনরি মসি য়াম্লমক লায়বকথিবনি।

কোর্টনা মহাক মরাল লৈতে হায়না থাদোরক্লবা অসি ফাওবদা মীয়াম্না য়ানিংদে হায়রবদি কনানা ৱায়েনগদৌরিবনো হায়বা ৱাহং হংখিবগা লোয়ননা কোর্টনা অচুম্বা ৱায়েল তৌদুনা মহাকপু থাদোরকপগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ফাদোক পীখ্রবা মুং জৌ অমসুং...

লামায় ১গী মখা... পাঙথোকখিবা মতমদা অপূনবা এক্যুইজশিং অসিগী মনুংদগী ৪ দিসচার্জ তৌখিবনি। অদুগা লেমহৌরিবা এক্যুইজ ৭কী মথক্তা ৱায়েল চখ্থরক্লবা মতুংদা লুখোসৈ জৌ এলিয়স সেসৈ জৌ য়াওনা এক্যুইজ ৭ কেস অসিদগী এক্যুইট তৌখ্রবা মতুংদা মখোয় ২ বুনা কনভিক্সন পীখিবনি।

সৈত্যভমা মীহাৎ : বিজু অমসুং থেসস কোর্টনা লাইফ ...

লামায় ১গী মখা... ইমপ্রিজনমেন্টকী চৈরাক অসি এক্যুইজ নম্বর-২ ওইরিবা থেসসতসু মহাকপু আই পি সীগী সেক্সন- ১২০-বি অমসুং ৩০২গী মখাদা ফাদোক পীখ্রবনিনা চপ মান্ননা পীবীনবা হায়জখি। অমরোমদা লৈখিদ্রবী সৈত্যভমা মহাক্লা হিংলিঙৈদা থা ১দা লুপা লিশিং ৪০/৪০ ফংদুনা রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী পেথোলোজি দিপার্টমেন্টতা রিছার্স ফেল্লোশিপ ওইদুনা মহাক্কী ইমুংদা মতেং পাংলমখিবনি। অদুবু থৌদোক অদুদগী মহাক্কী ইনকম পুন্নমক মাঙহনখ্রবনিনা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীবীনবসু কোর্টতা সবমিসন তৌখি।

নাকল অমরোমদা লাইফ ইমপ্রিজনমেন্ট ফংলবা কনভিক্ট অনীগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী মায়কৈদগী সেন্টেন্স হিয়রিং অসি এদজোর্ন তৌবীনবা এপ্লিকেসনশিং কোর্টতা ফাইল তৌরকখি। এপ্লিকেসন অসিদা মখোয়না কোর্টকী জজমেন্ট অসি য়েংনবগী মতম চপ চানা ফংবা ঙমখিদে হায়রকখি। অদুম ওইনমক কোর্টকী মায়কৈদগীদি থা অসিগী ১৪দা লাউথোকখিবা জজমেন্ট অদুগী ওর্দরগী কোপী এক্যুইজ নম্বর-১গী কাউন্সেলগী পেন দ্রাইভতা নুমীৎতুমক্তদা পীখি। মসিগী মতুংদা থা অসিগী ১৯দসু এক্যুইজ অনীমক্কী কাউন্সেলশিংদা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদুগী কোপীশিং পীখ্রবনিনা সেন্টেন্স হিয়রিং এদজোর্ন তৌবীয়ু হায়রকখিবা ৱাফমসি লোগী মীৎয়েংদা চৎনবা য়াদবা অমা ওইবদগী এদজোর্নমেন্টকী এপ্লিকেসনশিং অদু দিসমিস তৌরে হায়খি।

অদুম ওইনমক এক্যুইজ নম্বর-১গী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা ফাদোক পীরবা বিজু অসি থৌদোক অদু থোকখিবা মতমদা শুপ্পতগী মশাগী চহী ২৮ খক্তমক শুরি হায়বগা লোয়ননা মহাক ময়ুম পাল্লবা মীওই অমনি হায়খি। মহাক্কী ইমুংগী মহাক্লা মচানুপা খ্বাইদগী অহল ওইবদগী মচিন-মনাওশিং, মমা-মপা অমসুং মহাক্কী লোয়নবী লৈরি হায়বগা লোয়ননা মমাঙথক্তা মহাক্কী মথক্তা ক্রিমিনেল কেসকী থৌদোকশিং লৈখিদবনা মহাকপু খ্বাইদগী য়াংবা চৈরাক পীবীনবা হায়জখি। ফাদোক পীরবা থেসসকী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনসু মহাক মহাক্কী ইমুংগী অমত্তা ঙাইরবা মচানুপানি। লোয়ননা হৌজিক ট্রিটমেন্ট চথরিবা মমা-মপাগীদমক য়েংবীবগা লোয়ননা সব-কন্ট্রেক্টকী থবকশিং তৌদুনা ইমুং অসিগী শেল থোকপা মীওই ওইরিবনি। মহাক্কীসু ময়ুম পান্দুনা মচানুপা অমা লৈরে হায়বগা লোয়ননা মমাঙদা মহাক্কী মথক্তা ক্রিমিনেল কেসশিং লৈখিদবনা মহাকপুসু খ্বাইদগী য়াংবা চৈরাক পীবীনবা হায়জখি।

কোর্টনা নাকল অনীমক্কী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা কেস অসিগী এক্যুইজ নম্বর-১ ওইবগা লোয়ননা ফাদোক পীখ্রবা ক্ষেত্রিময়ুম বিজু এলিয়স হোল্লেন্দ্রোদা আই পি সীগী সেক্সন ১২০-বিগী মখাদা লাইফ ইমপ্রিজনমেন্ট পীবগা লোয়ননা শেল ওইনা লুপা লিশিং ২০সু ফাইন ওইনা থিননবা খঙহনখি। করিগুম্বা ফাইনগী শেনফম অসি থিবা ঙমদ্রবদি মহাক্কী ফাদোক্কী মতম অসি থা ৩ শাংদোক্কনি হায়খি। মসিনা কোর্টনা পীখিবা ঙসিগী ওর্দর ওফ সেন্টেন্সকী মতুংইন্না মহাক্লা লৈখিদ্রবীবু হাৎনবগীদমক লৌতুনবগী অহানবা মহাক্কী চৈরাকনি। অনীশুবা চৈরাকনা মহাক্লা লৈখিদ্রবী এন সৈত্যভমাবু নমদুনা ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবগীদমক আই পি সীগী সেক্সন- ৩৭৬ অমসুং ৩৭৬ এগী মখাদা লাইফ ইমপ্রিজনমেন্ট পীবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ২০গী শেনফম ফাইন ওইনা পীননবা খঙহনখি। করিগুম্বা ফাইনগী শেনফম অসি মহাক্লা পীবা ঙমদ্রবদি মহাক্কী ফাদোক্কী মতম থা ৩ শাংদোক্কনি হায়খি। অহুমশুবা চৈরাক্লা মহাক্লা লৈখিদ্রবীবু নমদুনা হাৎখিবগীদমক আই পি সীগী সেক্সন- ৩০২গী মখাদা মপুন্সি চুপ্পগী ফাদোক পীবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ৫০গী শেনফমসু ফাইন ওইনা পীননবা খঙহনখি। করিগুম্বা শেনফম অসিসু মহাক্লা পীবা ঙমদ্রবদি মহাক্কী ফাদোক্কী মতম থা ৬ শাংদোক্কনি হায়খি। অদুম ওইনমক মহাক্কী লাইফ ইমপ্রিজনমেন্টকী চৈরাকশিং অসি মতম অমত্তদা পুন্না চৎমিন্নগনি হায়খি।

মথংদা কোর্টকী ওর্দর ওফ সেন্টেন্স অসিগী মতুংইন্না এক্যুইজ নম্বর- ২ ওইবদগী ফাদোক পীরবা তোইজম থেসস এলিয়স জেমস বোন্দ এলিয়স অবোইবুনা লৈখিদ্রবী এন সৈত্যভমাবু হাৎননবা লৌতুনবগী মরালদা আই পি সীগী সেক্সন-১২০-বিগী মখাদা লাইফ ইমপ্রিজনমেন্ট পীখিবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ২০গী শেনফম ফাইন ওইনা পীননবা খঙহনখি। মহাক্কী অনীশুবা মরালগী মতুংইন্না আই পি সীগী সেক্সন-৩০২ অমসুং ১২০-বিগী মখাদা লৈখিদ্রবীবু হাৎপগীদমকসু মহাকপু লাইফ ইমপ্রিজনমেন্ট পীখিবগা লোয়ননা লুপা লিশিং ২০গী শেনফম ফাইন ওইনা পীননবা খঙহনখি। মহাক্কীসু ফাদোক্কী মতমশিং অসি পুন্না চৎমিন্নগনি হায়খি।

করিগুম্বা ফাদোক অনীগী মায়কৈদগী পীফম থোক্লিবা ফাইনশিং অসি পীরক্লবদি কেস অসিগী কমপ্লেনেন্ট/লিগেল গার্জিয়ান অমসুং ভিক্টিম ওইখ্রবী এন সৈত্যভমাগী নক্কবা মীওইশিংদা পীগদবনি হায়খি। লোয়ননা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবীগীদমক ভিক্টিম কম্পেন্সেসন স্কিম ফোর ৱিমেন ভিক্টিমস/সর্ভাইবরস ওফ সেক্স্যুএল এসোল্ট/অদর ক্রাইমস, ২০১৮গী সেক্সন-৩৫৭ এগী মখাদা পীফম থোকপা কম্পেন্সেসনশিং পীনবগীদমকসু ঙসিগী ওর্দর ওফ সেন্টেন্স অসিগী কোপী অমা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)গী মেম্বর সেক্রেটরিদা পীননবা কোর্টনা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা কেস অসিগী জজমেন্ট/ওর্দরশিং ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ (সী আর পি সী)গী সেক্সন-৩৬৩(৪)গী মতুংইন্না এক্যুইজশিংদা পীবগা লোয়ননা ঙসি পীরিবা ওর্দর ওফ সেন্টেন্স অসিগী নুমীৎতগী পারগা লিমিটেসন এক্ট, ১৯৬৩গী সেক্সন-১১৫গী মখাদা নুমীৎ ৬০নিগী মনুংদা হায় কোর্টতা আপিল তৌবা য়াগনি হায়নসু কোর্টনা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, ফাদোক পীরবা ময়ুম-মকৈ পাল্লবা তোইজম থেসসনা পাখংনি হায়জিন্দুনা লৈখিদ্রবীগা নুংশিনখিবনি। মসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা লৈখিদ্রবীবু কুমজা ২০১৩গী মার্চ ১৫দা খুরাইদা লৈবা রেষ্টুরেন্ট অমদা উনবগী খুদোংচাবা লৌদুনা মহাক্কী ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবীখিবনি। থৌদোক অসিদগী লৈখিদ্রবীনা মহাকপু লুহোংদুনা লৌবীনবা কন্না তকশিল্লকপদগী কুমজা ২০১৩গী মার্চ ৩০দা ইরিলবুং কবুই খুনগী য়ু য়োনফম অমদা থেসসনা বিজু অমসুং জিবলগা উনদুনা সৈত্যভমাবু হাৎনবগীদমক লৌতুনখিবনি। লোয়ননা থেসসনা লৈখিদ্রবীগা পাউ ফাওনবা শীজিন্নবা সিম কার্দ অমা বিজুদা পীরগা ফাওনহনখিবনি। মসিদগী বিজুনা মহাক্কী গাড়ীমচা (মহিন্দ্র রোদিও) এম এন-০১/ৱাই-৬৩১০দা সৈত্যভমাবু ময়ুমদগী নমথাক তৌদুনা কৌথোক্তুনা পুরবা মতুংদা মহাক্কী ঈকায় খুম্নবা মাঙহল্লগা বাশিখোং ৱাংখে লৌমানবী কেনেলগী মফম অমদা হাৎলগা হুন্দোক্লমখিবনি।

ৱার্ক ওর্দরশিং কেন্সেল তৌরকপবু শিংনরকপা কেসকী ৱায়েল য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস):

নাওরেমথোং খুলেম লৈকায়দা লৈবা এম/এস ইমা ইবেম্মা লাঙ্গোল লাইরেম্বী কন্সত্রক্সন্স (স্পেসল কন্ট্রেক্টর) দা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ত্রাইবেল এফেয়রস এন্দ হিলস (টি এ এন্দ হিলস) দিপার্টমেন্টনা টেন্দর তৌদুনা পীখিবা তোঙান তোঙানবা থবক ১০গী ৱার্ক ওর্দরসু মরম চাদনা অমুক কেন্সেল তৌরুবগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন ১০গী ৱায়েল মখা তানা চখ্থনবা মথং থাগী ১৪দা য়ৈথোকখ্রে।

ৱার্ক ওর্দরশিং অদুবু ককথৎলকপগী মায়োক্তা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিং অদুনা দল্লিয়ু পি (সী) - ৬৪৮ ওফ ২০২০, ৬৪৯ ওফ ২০২০, ৬৫০ ওফ ২০২০, ৬৫১ ওফ ২০২০, ৬৫২ ওফ ২০২০, ৬৫৩ ওফ ২০২০, ৬৫৪ ওফ ২০২০, ৬৫৫ ওফ ২০২০, ৬৫৬ ওফ ২০২০ অমসুং ৬৫৭ ওফ ২০২০নি।

অপূনবা পিটিসনশিং অসি এম/এস ইমা ইবেম্মা লাঙ্গোল লাইরেম্বী কন্সত্রক্সনগী মায়কৈদগী মসিগী প্রোপ্রাইটর খোমদ্রাম সুরেন্দ্র কুমার (৪৩) অপোকপা কে ঐচ তোম্বী, নাওরেমথোং খুলেম লৈকায়দা লৈবনা পিটিস্নরশিং ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবনি। মহাক্কী পিটিসনশিং অসিনা রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লক্লিবনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (টি এ এন্দ হিলস) অমসুং লোইশঙ অসিগী দিরেক্টর অমসুং এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র - ২নি।

কেসশিং অসি ঙসি জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চতা পুল্লপ লিষ্ট তৌখি। লোয়ননা কোর্টকী মায়কৈদগী কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েল চখ্থনবগীদমক লৌখৎলকপদা রেসপোন্দেন্টশিং অসিগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট জেনরেল নাওরেম কুমারজিৎকী মায়কৈদগী পিটিস্নরনা কোর্টতা ফাইল তৌরক্লিবা ৱাকৎশিং অসিগী মায়োক্তা পাউখুম পীননবা মরী লৈনরিবা লোইশঙ অসিদগী ইন্সত্রক্সনশিং লৌরক্নবগী মতম মখা তানা পীবিখিনবা হায়জরকখি।

এ জিগী প্রেয়র অসিদা কোর্টনসু অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা মেটরশিং অসিগী মখা তাবা ৱায়েল চখ্থনবগীদমক কেসশিং অসি মথং থাগী ১৪দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌননবা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, পিটিস্নরগী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা ৱাকৎলকখিবদা মঙোন্দা পীরম্বা তোঙান তোঙানবা থবক ১০গী ৱার্ক ওর্দর অদুগী মহুত্তা অনৌবা টেন্দর তৌনবগী থবক পায়খৎলে হায়রিবা প্রোসেসশিং অদু কোর্ট অসিনা পীখিবা দিরেক্সন অমদা ঙসি ফাওবগী ওইনা কোর্টকী অয়াবা য়াওদ্রবদি ফাইনেলাইজ তৌদনবা দিরেক্সন পীখিবসু লৈখিবনি।

‘পোইনুগী শৈরেং পারসি’ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএনএস)ঃ

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তারকপদা ইম্ফালগী শিংজমৈ চিরোম লৈকায়দা লৈবা খোরিরোলগী অইবা-অইবীশিংগী পাউশানফমনা শীন্দুনা ‘পোইনুগী শৈরেং পারসি’ হায়না মীংথোনবা থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফালগী ওল্ড এসেমব্লি রোদতা লৈবা মণিপুর হিন্দি পরিষদকী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা পাউশানফম অসিগী এদভাইজর ইনাওবী হুইরেম্বনা অথোইবা লেংবীরকপা ওইখিবগা লোয়ননা পাউশানফম অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাইখোম অমুচৌ মীতৈনা থৌরম মপু ওইখি।

খোরিরোলগী অইবা-অইবীশিংগী পাউশানফমগী অনৌবা মেম্বরশিংবুসু তরাম্না ওকপগী থৌরমগা লোয়ননা পাঙথোকখিবা পোইনুগী শৈরেং পারসি হায়বা থৌরম অদুদা ষ্টেন্দর্দ কোলেজ, কোংবগী হান্না প্রিন্সিপাল ওইরম্বা চোংথাম সুবদনিনা শৈদিনপুরেল ওইদুনা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি হায়রি।

থৌরম অসিদা পূন্না অইবা-অইবী ৩৮না শৈরেংশিং পাথোকখি। লোয়ননা জিরিবামদগী লোইদামতোনবী মোইরাংথেম্বু পাউশানফম অসিগী অনৌবা মেম্বর ওইরকপদসু তরাম্না ওকখি হায়রি।

ঙসিগী থৌরম অসিগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবশিংগী মনুংদা শরুক য়াখিবশিংদা অচম্বা খুদোল তম্বা, নুংগী ওইবা ৱারোল পাথোকপা, অথোইবা লেঙবীরকপা অমসুং থৌরম মপুগী ৱারোল পীবনচিংবা য়াওখি।

কোংবা কৈথেল মনাক্তা আই ঈ দি...

লামায় ১গী মখা... কম্মান্দোগী ও সী, কে ঐচ হেনরিনা লুচিংবা কাঙবুনা মহৌশাগুম কোংবা এরিয়াদা থি-হুম্বা চখবদা বোম অদু থেংনরকপনি হায়রি। মফম অদুদা আই ঈ দি বোম লৈরে হায়বা হেক খঙবগা পুলিসনা মী চঙহন্দনা থল্লগা ইম্ফাল ঙারিয়ান রোদ খুদক্তা থিংখি। মফম অদুদা পুলিসকী বোম এক্সপার্ট, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজম, ৩০শুবা অমদি ১৫শুবা অসাম রাইফলস কাঙবু লাক্তুনা য়েংখি। মতুংদা পুলিসকী বোম এক্সপার্ট কাঙবুনা আই ঈ দি অদু অশোয়-অঙাম য়াওদনা লৌথোকখি।

কে জি ৩ রোম লুম্বা বোম অদু মফম অদুদগী অশোয়-অঙাম য়াওদনা লৌথোক্লবা মতুংদা অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা ইরিলবুং ঙারিয়ান লম্বীদা পুরগা অশোয়-অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখ্রে। বোম অদু কনানা থল্লম্বনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। কনাগুম্বা লূপ অমত্তনসু ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

লৈঙাক্লা টুরিজম সেক্টরদা...

*লামায় ১গী মখা...*এগ্রিকলচর, টুরিজম, ভেট এন্দ এ ঐচ মিনিষ্টর ও লুখোই, ৱাটর রিসোর্ছ এন্দ য়াস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, এদুকেসন, ফিসরিজ এন্দ কাদা মিনিষ্টর এস রাজেন, টি এ এন্দ হিলস, ট্রান্সপোর্ট এন্দ জি এ দি মিনিষ্টর ভুংজাগিন ভালটে, সি এ এফ এন্দ পি দি, লো, লেবর এন্দ ইমপ্লোইমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রত, মাহুদ, সোসল ৱেলফেয়র এন্দ কোওপরেসন মিনিষ্টর ওক্রম হেনরি য়াওনা পাঙথোকখিবা স্পিরিচুয়েল সর্কুইট হাঙদোকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা এন ই সিগী মখাদা পায়খৎলিবা মহাবলি টেম্পলগী অকোয়বদা শেমগৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংসু শঙ্গাখি।

ঙসি চিফ মিনিষ্টরনা হাঙদোকখিবা স্পিরিচুয়েল সর্কুইট অদুদা য়াওরিবশিংদি শ্রি গোবিন্দজি টেম্পল, শ্রী বিজোয় গোবিন্দজি টেম্পল, শ্রী গোপিনাঠ টেম্পল, শ্রী বাংসিবোদোন টেম্পল অমসুং শ্রী কাইনা টেম্পলনি।

হোল শঙ্গাখ্রে...

লামায় ১গী মখা... (সিভিল) অমসুং হোপসন কৈশিং, এদভাইজর রিমস ক্বার্টর ৱেলফিয়র এসোসিয়েসনন মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা দাইরেক্টর এ সান্তনা কোভিদ-১৯ লাম্থেংননবা হোৎনবদা মশা পোজিটিব ওইরবা ক্বার্টরদা লৈবা ষ্টাফশিংদা খুদোলপোৎ পীদুনা পুক্নিংসু থৌগৎখি হায়রি।